# নেসনল গেমস : মণিপুরনা মরিনি চনবা নুমিৎতা সাইক্লিং অমদি রোৰিংদা গোল্ড মেদল অহুম লৌখ্রে





ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): গুজরাটনা যূম্বু ওইদুনা চথরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসকী ঙসি মরিনি চনবা নুমিৎতা মণিপুরনা সাইক্লিং মশান্নদা গোল্ড ২, রোৰিংদা গোল্ড ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ অদুগা ৰেথলিফটিংদা ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৫ ফংবা ঙমখ্রে।

মণিপুরনা হৌজিকফাওবদা গোল্ড ৯, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ৭ পূন্না মেদল ১৯ ফংবা ঙমখ্রে।

ওল্ড দেল্লীগী ইন্দিরা গান্ধী ভেলোদ্রোমদা ঙসি পাঙথোকখিবা সাইক্লিং মশান্নগী নুপাগী ২০০ মিটর ইন্দিভিজ্যুএল স্প্রিন্ট ইভেন্টতা লাইতোঞ্জম রোনাল্ডোনা সেকেন্দ ১০:১৭৬তা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

নুপীগী কিলোমিটর ৪গী টিম পর্স্যুইট ইভেন্টতা ষ্টেটকী সাইক্লিষ্ট টি মোনোরামা, এম সোনালি চনু, কে ঐচ রেজিয়া অমদি আইমতৌলৈবীনা সেকেন্দ ০৫:০২.০৭৭তা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, অহমেদবাদকী সবরমতিদা পাঙথোকখিবা রোৰিং মশান্নগী কিলোমিটর ২গী ৰিমেন্স দবলস স্কল ইভেন্টতা থাংজম প্রিয়া অমদি হুইদ্রোম তেন্দেম্থোইনা মিনট ৭:০০.৯৮দা লমথুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

মশান্না অসিগী নুপীগী কোক্সলেস ফোর ইভেন্টতা এম ক্লিয়া, এ মোনিকা, এম মেরিনা অমদি ঐচ রোশনীনা মিনট ৭:০২.৪দা লমথুংফম য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

ৰেথলিফটিং মশান্নগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী কেজি ৬৪গী ফাইনেলদা কে রোশিলাতানা পূন্না কেজি ১৯৭ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮৭ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১০ থাঙ্গৎপা ঙমখিবনি। কাঙলূপ অসিদা পঞ্জাবকী জজবির কোর অমদি অন্ধ্র প্রদেশকী এস পল্লবীনা পূন্না কেজি ২০০ অমদি ১৯৯ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল ফংখি।

রোল্লর স্পোর্টসকী থাংজনুমিৎতা পাঙথোকখিবা স্কেটচ বোর্দ ষ্ট্রিট ইভেন্টতা চিংঙাংবম রঞ্জুনা গোল্ড মেদল অমা ফংবা ঙমখিবনি।

## ষ্টেট যোগ টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): গুজরাটনা যূম্বু ওইদুনা চথরিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসকী যোগ মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা শান্নরোয় অনী অমদি ওফিসল অনী পূন্না মীওই ৪না শাবা ষ্টেট যোগ টিম ঙসি গুজরাটকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

শান্নরোয় অনী অদুদি নিংথৌজম থাজমানবী অমদি য়েংখোম গ্যানেশ্বরীনি। ষ্টেট টিম অসিগী কোচ ওইনা অঙোম রেবিতা অদুগা টেক্নিকেল ওফিসর ওইনা পুখ্রম্বম বিরপ্রদাসনা শরুক য়াখি।

যোগ মশান্নগী ওইনা থা অসিগী ৬তগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

## মাষ্টর এথলেটিক্সকী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): হায়দরবাদনা যূম্বু ওইদুনা নভেম্বর ৪দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ৰিমেন মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অমদি কোলকাটানা যূম্বু ওইদুনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৪দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৩ শুবা নেসনল মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন দুনা থা অসিগী ১৮ অমদি ১৯দা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা মাষ্টর এথলিটশিংনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর মাষ্টর এথলেটিক্স এসোসিএসনগী ওফিসতা ওক্টোবর ৫দগী ১০ ফাওবগী অয়ূক পুং ৭তগী ৯ ফাওবগী মনুংদা এন্ট্রি ফোর্ম লৌবীদুনা থাজিল্লক্কু বা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস রামেশ্বরনা খঙহল্লক্লি।

ফোর্ম থাজিনবা মতমদা এথলিটশিংনা মখোয়গী আধার কার্দ অমদি পাসপোর্ট ফোটো ২গা লোয়ননা লুপা ৩৫০ থীনবা খঙহল্লক্লি।

## নোংনা মেটচ য়েথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা চথরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি মেটচ নম্বর ১৫দা সনা এফ সী অমদি পি এস দল্লিয়ু এ এস অদুগা মেটচ নম্বর ১৬দা সী ৰাই এস এ অমদি য়ু এম এফ সী অনীনা শান্নগনি তৌরম্বা অদু নোং কন্না চুবনা মরম ওইরগা গ্রাউন্দগী কন্দিসন ফত্তবনা য়েথোকখ্রে।

মেটচ অনী অসি শান্ননবা মতম অথুবদা লাউথোক্লক্লগনি হায়না দি এফ এ থৌবালগী সেক্রেটরি এল কুল্লধজনা খঙহল্লক্লি।

## এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট অমদি সেকেন্দ দিভিজন লীগ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা ওক্টোবর ৩দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ওইনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লিৰা সরৈ ভিলেজ গ্রাউন্দদা টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্তুনা পাঙথোক্লগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী অনাল খুনৌ য়ূঠ ক্লব অমদি কানখু এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লব লম্বা তৌনরগনি।

সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ওইনা জাইওন্টলাং ভিলেজ গ্রাউন্দদা টিম ৩২না গ্রুপ অনী থোক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লগনি। ওপন্নিং মেটচতা গ্রুপ এগী উনোপট য়ূঠ ক্লব অমদি চিংখু য়ূঠ ক্লব অনীনা নুংথিল পুং ২দা লম্বা তৌনরগনি।

অনীশুবা অম্ফা কপ

## রোবিন্সনগী হেটট্রিক অমদি গিনখোলেনগী গোলগী মতেংনা কে এস সীনা ট্রুগপুবু ৭-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): ঐচ রোবিন্সন খোংসাইনা চনখিবা গোল ৪, গিনখোলেন হাওকিপকী গোল ২ অমদি লুনগৌসেম কিপজেননা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা কুকি স্পোর্টিং ক্লব (কে এস সী)না ট্রুগপু নম্বোলবু লাকচনা ৭-০দা চথরিবা অনীশুবা অম্ফা কপকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

গিনখোলেননা শান্নবা হৌরকপগী ১৪শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী কে এস সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা কে এস সীগী মায় পাকপগী ৭শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

রোবিন্সন খোংসাইগী অহানবা গোল অদুনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মরিশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৬৯ অমদি ৮৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা রেফরি চোংথাম শ্যামসননা ট্রুগপুগী লৌক্রাকপম ৰাশিংটনবু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সেম্পোরিয়া এফ সীনা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু এস এ) খুরাইবু ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

সিম্পোরিয়াগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মাংলিয়ানথাং শিমটেনা শান্নবগী ৫৭ অমদি ৭৬ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা কেপ্টেন কাপখানখুৱাল, টি হেলসুৱানপাউ অমদি য়ু এস এগী এল অভিনাশনা আউন গোল অমা শান্নবগী ২৫, মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনট অমদি ১৩শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

য়ু এস এগী গোলশিং অদুনা শমজেৎসাবম বোইনা শান্নবা হৌরকপগী ২ অমদি ২৭শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা থৌনাওজম সুরজ মৈতৈ অমদি হাওবিজম তোম্বীনা শান্নবগী ৬৮ অমদি ৭৪ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি য়ুলুং লুংসুনা সিম্পোরিয়াগী মিলুন তুংনুং অমদি পোল পাওমোন অদুগা য়ু এস এগী এল অভিনাশপু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

বালানন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

## ৰাই দল্লিয়ু এ অমদি এঞ্জেল এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৬শুবা এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৰাই দল্লিয়ু এ নিংথৌখোংনা এল ৰাই ভি ওবু লম্লাংহুপীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঐচ লক্বিনা শান্নবা হৌরকপগী ১১শুবা মিনটতা নিংথৌখোং টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা এল ৰাই ভি ওবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা থাংমিনলেননা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা এল ৰাই ভি ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনশিন্দুনা স্কোর ২-১দা লৈহনখি। অদুগা কেভেন্সননা শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা ৰাই দল্লিয়ু এগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা ৩-১দা এল ৰাই ভি ওবু মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এঞ্জেল এফ সী থিনুঙ্গৈনা জি দি সী থিনুঙ্গৈবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা দ্রো ওইখি। এল সুভাশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা এঞ্জেল এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখিবনি।

মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি

## য়াইরিপোক এফ সী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা য়াইরিপোক এফ সীনা দল্লিয়ু ৰাই এফ সী ৰাংজিংবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চন্নবা ঙম্মদনা লাকখি। য়াইরিপোক্কী কাউন্টর এটেক অমদা অজিজনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্মদবদগী য়াইরিপোক্না ৰাংজিং টিমবু ১-০দা থোইদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

লোইশিল্লকপদা য়াইরিপোক্কী মরুওইবা গোল চনখিবা অজিজনা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমীফাইনেল থা অসিগী ৫দা হৈরোক এফ সী অমদি ব্রদর্স এফ সী ক্বাকৈথেল অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

## ৱেলসনা চহী ৬৪গী মতুং রোব পেজকী লিচিং মখাদা মেগা স্পোর্টস ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরি

### নুমিৎ ৪৮নি খক্তা ঙাইরে মীয়াম পূন্না ঙাইমিন্নগদবা



ৱেলসকী হেদ কোচ হেন্দ রোব পেজ

মালেমগী খ্বাইদগী লীরবা অহুমশুবা নেসনল ফুটবোল এসোসিএসন ওইরিবা ফুটবোল এসোসিএসন ওফ ৱেলসকী নেসনল টিমনা চহী ৬৪গী মতুংদা মখোয়গী অনীরকশুবা ওইনা ফিফা ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়ানবা হেদ কোচ রোব পেজকী লিচিং মখাদা পুম্নমক শেম শাবা লোইখ্রে।

ৱেলসনা অহানবা ওইনা ১৯৫৮দা ফিফা ৱর্ল্ড কপ শরুক য়াবদা মতমদুগী চেম্পিয়ন ব্রাজিলগী মখূৎতা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌখি।

রায়ন গিগ্সনা দোমেষ্টিক ভাইয়লেন্সকী চার্জতা মমাং চহীগী নভেম্বর থাদা ৱেলস টিম থাদোকখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী মতম চুপ্পদা গোল স্কোররগী রেকোর্দ থমখ্রবা অমদি মহাকপু ৱেলস টিমগী লক পীবা শান্নরোয়নি হায়নরিবা গেরেথ বেল, দেনিএল জেমস, ব্রেন্নন জোন্সন, এরোন রামসে অমদি নেকো ৱিলিয়মসনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি। লিভরপুলগী হান্নগী

### মেগা স্পোর্টস ইভেন্টতা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা ৱেলসকী শান্নরোয় মঙা



গেরেথ বেল (ফোরৱার্দ)



দেনিএল জেমস (ৱিঙ্গর)



ব্রেন্নন জোন্সন (ফোরৱার্দ)



এরোন রামসে (মিদফিল্ডর)



নেকো ৱিলিয়মস (ৱিং বেক)

রোব পেজ চহী ৪গী খূৎয়েক পীনদুনা ৱেলসকী হেদ কোচ ওইনা লাকখিবনি। মহাক্না হন্দক্কী কটারগী মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিখক নৎতনা ২০২৪ য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ অমদি ২০২৬ ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং কেম্প্যেনশিং ফাওবা ৱেলসকী টিম লুচিংগদৌরি।

রোব পেজনা ফোঙদোকখিবদা, ৱেলস ফুটবোলগী ওইনা য়াম্না এক্সাইটিং ওইবা মতমনি অমদি ঐখোয়না লৈবাক অসিবু নভেম্বর থাদা চাওথোকচবা পোকহনগনি থাজে হায়খি।

রোব পেজকী লিচিং মখাদা ষ্ট্রাইকর গেরেথ বেলনা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মরুওইবা গোল কয়া চনখিবদা নৎতনা কটার ফাইনেল রাউন্দ অসিদসু গোল কয়া চনবা ঙমগনি পানরি।

ৱর্ল্ড কপতা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা মশাগী চহী ২১ শুরবা নেকো ৱিলিয়মসনা মতম শাংনা ৱেলসকী ফেনশিংনা মায়থোঙদা মোমোন নোকপা ফংলকখিদ্রবা অদু ফংহন্নবা হোৎনগদৌরি।

| Date | Match Details (Grp-B) | Venue |
|---|---|---|
| November 21 | Wales vs USA | Ahmed Bin Ali Stadium |
| November 25 | Wales vs Iran | Ahmed Bin Ali Stadium |
| November 29 | Wales vs England | Ahmed Bin Ali Stadium |

## ষ্টেট খো-খো : সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো-খো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা রুরেল এদ্যুকেসনেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খাঙবোক্না ট্রাইও দিভলপমেন্ট ক্লব অমদি লাইনিংথৌ ক্লব অনীগা খূৎশম্মনা শীন্দুনা খাঙবোক ময়াই লৈকাইদা লৈবা টি দি সী গ্রাউন্দদা চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল থোকচোম সোভা মৈতৈ মেন্স ওপন কেশ প্রাইজ খো-খো টুর্নামেন্টকী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাই, ঐচ কে কে এ হৈরোক, এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোক অমদি বাসু খাঙবোক সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টরদা এ এস কে কে এনা পি কে দি সী অথোকপমবু ২০-১৫দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ঐচ কে কে এ হৈরোক্না এস ঐচ জি আই আর সী এস পাঙলতাবীবু ২০-১৭তা অদুগা অহুমশুবা ক্বার্টরদা এস সী ঈ এ এস দি ওনা এ এস কে কে এ সঙ্গাইয়ুম্ফমবু ১৮-১২দা মায়থীবা পীখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা বাসু খাঙবোক্না পি ৰাই দি সী খাঙবোকপু ১৭-৭তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ১২না গ্রুপ মরি থোক্তুনা শরুক য়ারকখিবনি।

HL-B/7775/2/10-26/11

SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

EMPLOYMENT NEWS


# Samurou Branch :- Office Asst. (Graduate), Car Wash Helper, Mechanic Helper 2/2.
# Nambol Branch :- Office Asst., Mechanic (2/W), Car Driver, Gr-IV 2/2
# Moirang Branch :- Office Asst., Gr-IV - 2/2
# Kakching Branch :- Office Asst., Gr-IV, 2 Wheeler Mechanic 2/2
# Thoubal Branch :- Office Asst., Gr-IV - 2/2

N.B. :- Branch কা য়াম্না নক্কনা লৈবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীজগনি।

Please Contact :
M.B. Singh
# 8731978490 / # 9774495994

HL-B/7804/3

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 590**

**GM J Cuenca Jimenez (2555) - FM Nico Chasin (2392)**
**Maia Chess Open 2022 Maia POR, 2022.09.01**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 Nc6 5.Nc3 Qc7 6.g3 a6 7.Bg2 d6 8.Nxc6 bxc6 9.O-O Bb7 10.Na4 c5 11.b3 Nf6 12.Re1 Bc6 13.Bf4 Nd7 14.Qd2 Bxa4 15.bxa4 Ne5 16.Rab1 Be7 17.Red1 Ra7 18.Qc3 O-O 19.Qb3 Nd7 20.a5 Rb8 21.Qa4 Rab7 22.Rxb7 Rxb7 23.Bxd6 Bxd6 24.e5 Nxe5 25.Bxb7 Qxb7 26.Rxd6 Qb1+ 27.Kg2 Qb7+ 28.Kf1 g5 29.Qb3 Qh1+ 30.Ke2 Qe4+ 31.Kd1 Qh1+ 32.Ke2 Qe4+ 33.Qe3 Qxc2+ 34.Kf1 Qf5 35.Kg2 g4 36.Rxa6 Nf3 37.Qf4...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 589 Ans. :**

21. Qxa7+ The white queen deflects Black's queen away from protecting the square c7. Qxa7 22. Nc7#
Smothered mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com